হুইয়েন লানপাউ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অমসুং তোঙান-তোঙানবা হীরম খরদা বি জে পিগী লুচিংবা ওক্রম জয়না গভর্ণরগা উনদুনা ৱারী শানবা

এস এস য়ু এম, প্রোলেটেরিয়ন ফেমিনিষ্ট মুভমেন্ট মণিপুর, সোসলিষ্ট ৱিমেন এসোসিএসননা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা ওইখিবা শক্তম



লৈখিদ্রবা নাম্বম য়াইস্কুলগী চহী ৯১ শুরকপগী নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা মীওই অহুমদা ব্রেভরি এৱার্দ লান্থোকপা থৌরমগী শক্তম

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কল্লু, সেমিষ্টর এগজামশিংগী ফল লাউথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা এ বি ভি পিগী মেম্বরশিংনা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমগী শক্তম

Vol. 42, Issue No.111 থাংজ, ইঙেন নীনি পানবা, অপূনবা লামায় মশীং ১০ HUEIYEN LANPAO, Saturday, July 14, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৫.০৩

দীজল : লিটরদা লুপা ৬৬.৬৭

য়াইফ পাউজেল

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ : কাং (রথ যাত্রা) কুম্মৈগা মরী লৈননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট অসিগী মীয়াম মরুওইনা হিন্দু লাইনিং লূপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মণিপুরগী মীয়ামগা লোয়ননা কাংগী কুম্মৈদা শরুক য়াজদুনা ষ্টেট অসিদা নুংঙাই য়াইফবা অমসুং কাংলূপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা পীবীনবা লোর্দ জগনাথতা খুরুমজরি হায়না সী এমনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

ৱাঙাংলোয় হাপখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ : বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মীদিয়া কোওর্দিনেটর হাপখ্রবা সী ঐচ চিদানন্দ পার্টি অসিগী স্পোক্স-পার্সনগী থৌ

পুননবা খনখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) কে শরতকুমারনা য়াথং অমা ঙসি থোকখ্রে। সী ঐচ চিদানন্দ কুমজা ২০১২ ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৮.৬৪ °C	২৩.৪৬°C
চান্দেল	৩১.৮৯ °C	১৯.৩২ °C
সীসীপুর	২৯.১৫ °C	২১.৩৬°C
ইম্ফাল	৩০.৭২ °C	২২.৯৮°C
সেনাপতি	২৯.৬৪ °C	১৭.৬৩°C
তমেংলোং	৩৪.৩৮ °C	২০.৭৯°C
থৌবাল	২৬.৯২ °C	২১.৭৪°C
উখ্রুল	২৬.১১ °C	১৭.৩৩°C
মণিপুর	৩৪.৩৮ °C	১৭.৩৩°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৪৪ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৪

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.701319
US Dollar	68.480941
British Pound	90.084258
Australian Dollar	50.561273
Chinese Yuan Renminbi	10.221686
Japanese Yen	0.608438
Malaysian Ringgit	16.925178
Norwegian Krone	8.401210
Singapore Dollar	50.069078
South Korean Won	0.060421
Swedish Krona	7.677998
Turkish Lira	14.119225
Myanmar Kyat	0.04813
Bangladesh Taka	0.81763

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30844.92
Mumbai	–	Rs 31871.66
Delhi	–	Rs 31497.33
Kolkata	–	Rs 31893.05

HL POLL

Q : State Assembly da puthokkani hairiba bill asina Manipurda yelhoumeesing kanba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Tamenglong da landslide thoktuna meeyam awaba taribasi Leingakna meetyeng changdabagira?

Yes 36% No 64%

অস! লোইরেহে!

আইজাক ন্যুটনদু মণিপুরদা পোক্লম্লদি ফাওবা ঙমগদ্রা...!

[illegible]



কদায়দগীনো, এপ্পলসু হৌদনা...!

[illegible]

মীওই অনীনা শাবা কম্মিটি অমনা এম য়ুগী ৱাথোক থিজিল্লগনি : ঐচ আর দি

এ পি পান্দে মফম লৌথোক্কদবনি হায়বসিনা অরোইবা দিমান্দনি : মুসু

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী মথক্তা শীরিবা এদমিনিষ্ট্রেটিব অমসুং ফাইনান্সিএল ইরিগ্যুলরিটিজগী মতাংদা লাক্লিবা ৱাকৎশিং থিজিন্নবা মীওই অনীনা শাবা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটি অমা শেম্লে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসননা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরি বিজয় কুমারনা থা অসিগী ১২ দা খুৎয়েক পীদুনা থোল্লকখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না ফেক্ট ফাইন্দিং ইনক্বারি অসি য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি জে কে ত্রিপাঠি অমসুং সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি দিভিজন, মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি সুরত সিংহনা চথুগনি।

ইনক্বারি অদু চথবদা ফেক্ট ফাইন্দিং ইনক্বারি কম্মিটি অদুনা মশাগী ওইবা প্রোসিজর মনিং তৌনা শেমজবা য়াগনি। অদুমওইনমক ৱারোইশিন অমা পুরকপদদি নেচরেল জষ্টিসকী চৎনবীশিংগী মতুংইন্না কম্মিটি অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংগী রেস্পোন্সকী অচুম-চুমদা খন্নগনি হায়রি।

কম্মিটিনা হীরম অসিগীদমক্তা য়ুনিভর্সিটিদা চৎকনি। য়ুনিভর্সিটি অমসুং মসিগী তোঙান-তোঙানবা ওফিসশিং/প্রেমিজেসশিংদা চৎকনি অমসুং দোক্যুমেন্টশিং য়েংশিনগনি। লোয়ননা মদুগী কোপীশিং লৌরগা ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌদুনা হীরম অসিগা মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডর খূদিংমক্কা খন্ন-নৈনগনি।

ওর্দর অসি পীখিবা নুমিৎতগী পারগা কম্মিটি অসিনা থা ১গী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎলক্কদবনি।

কম্মিটিদা পীফম থোকপা সেক্রেটরিয়েটকী মতেং পুম্বা য়ুনিভর্সিটিনা পীগনি অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রারনা কম্মিটিদা অসিগুম্বা মতেং পীবগী নোদেল ওফিসর ওইগনি। কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী টি এ/দি এ/ওনরেরিয়ম অসিনচিংবগা মরী লৈনবা চাদিংশিং য়ুনিভর্সিটিনা পুগনি হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেমগনি হায়বা ৱাফম য়াবা ঙল্লোই, ভি সী মফম লৌথোক্কদবনি হায়বসিনা ঐখোয়গী অরোইবা দিমান্দনি হায়না মুসুনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা)গী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা মুসুগী প্রসিদেন্ট দায়ামননা ফোঙদোকখিবদা মথৌ মশক খঙদবা এম য়ুগী ভি সী মফম লৌথোক্কদবনি হায়না মুসুনা চঙশিল্লকপা খোঙজং অসিবু য়ুনিয়ন ঐচ আর দিনা এন্টি নেসনল ওইবা খোঙজংনি হায়দুনা হোষ্টেলদা লৈবা মহৈরোয়শিং হোংদোক্কদবনি হায়বা ৱাফম লৈনা-লৈনা ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেমগনি হায়বা ৱাফম য়াবা ঙল্লোই হায়নসু মখা তারি।

মহাক্না হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়নিয়ননা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিবু য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা খন্নবগী মহুৎতা ভি সীগী মায়কৈদা লেপ্পা মানবা থৌওং কয়া মমাংদা থেংনখ্রে। অদুনা ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেমগনি হায়বা ৱাফম থাজদে। ঐখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ অসি ইনক্বারি তৌবদু নত্তে। ভি সী মথৌ মশক খঙদ্রে মহাক্কী মথক্তা মরাল ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

সুনিল করাম : ইশাগী বাউন্দরি খঙদবমখৈ করম্না লৈঙাকপনো

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): ইশাগী বাউন্দরি খঙদবা মখৈ করম্না লৈঙাকপনো হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা ঙসি ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপকী ১৪রক শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশাম্পাৎ য়ূমজাও লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইনভাইটী ওইনা শরুক য়ারদুনা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়খি, হৌজিক ইস্যু ওইরিবা বোর্দর পিল্লর ৮১গী মতাংদা জুলাই ১৬ তা জি এম হোলদা পব্লিক কনভেন্সন অমা পাঙথোল্লগনি। মসিদা রিছার্স স্কোলার অমদি অখঙ-অহৈশিংনা দোক্যুমেন্ট পুথোরক্লগা ঐখোয়গী ঙমখৈ সি ফাওবনি হায়বগী চপ চাবা ফিরেপ অমা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টতা প্রেসর পীরগা ঐখোয়গী ঙমখৈ কন্নবা হোৎনবদা শরুক য়াবীয়ু। তেংনৌপলগী দি সীনা স্কৱার কিলোমিটর ৩ চঙশিল্লে হায়না লাউথোকখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট কিরেন রিজিজুনা অমুক ঙমখৈদা অশোয়বা লৈতে হায়খ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সনা অমুক মণিপুরগী ঙমখৈদা নৎত্রগা বোর্দরদা অহোংবা লৈতে হায়না লাউথোকখ্রে। হায় পারর কম্মিটিগী মীহুৎনসু চয়েৎনবা লৈতে হায়না হায়খ্রে। চীফ মিনিষ্টরনসু অমুক লাউথোকখ্রে। বোর্দর পিল্লরগী মতাংদা পোলিটিকেলগী খূদোংচাবা লৌবা য়ারোই। কুমজা ১৯৬৭ তা বোর্দর পিল্লর অসি য়ুংঙি হায়বদি লৈরে। খুঞ্জাশিংনা হায়রিবনা সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগা ম্যান্মারগী সর্ভেগা য়ানরগা য়ুংঙি হায়রিবা অদু খুঞ্জাশিংনদি নত্তে হায়রিবনি। চহী ৪০গী মমাংদা করিমত্তা হায়দ্রগা ঙসি হায়রক্লিবা অসিগী ৱাহংসি হৌজিক লাক্লি। কুমজা ১৯৭৬ তা য়ুংবা লৈরগসু খরা চঙশিনখ্রে হায়বসিদি চাম্মদা চাম্মা চুল্লবা ৱাফমনি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা ম্যান্মারগা য়ানরগা বোর্দর পিল্লর য়ুংলিবা অদু মীয়াম খঙদে। কুমজা ১৯৬৭ অসি মণিপুরগী মীশীং লাখ ১০ ফাদ্রিবা মতমনি। মতম অদুদা লৈবাক অনীনা য়ানরগা য়ুংখিবা হায়বসি করিমত্তা খঙবা থবক নত্তে। হৌজিক ফাওবদা মমাংগী লৈঙাক, হৌজিক্কী লৈঙাক্না ইশাগী লমনি ফাওবা লৈরি নৎত্রগা হেঞ্জিল্লি খঙদবমখৈ লৈঙাক্লিবা অসি করম্বা মখলগী লৈঙাক্নো। ইশাগী বাউন্দরি খঙদবমখৈ লৈঙাক্লিবসি করিগীনো? শোয়রে খঙলবদি মমাংগী লৈঙাক ওইরবসু, মতুংগী লৈঙাক ওইরবসু তুমিন্না লৈগদৌরিব্রা হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবাননা হায়খি, মণিপুরদি মরৈবাক নুংশিবা মজাতিগীদমক খনবনি। মসিদগী থোরকপা মীয়ামগী ঈহুল, থৌনা, পাঙ্গল ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

শ্যাম : সর্ভে এরিয়াগী সেটিলাইট মেপ্পিংগী থবক লোইশিল্লক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মনুংদা অহুমশুবা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা হাংদোক্লিবা নেসনল জেনেরিক দোক্যুমেন্ট রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টেম (এন জি দি আর এস)না ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসনগী খূদোংচাবা ফংহল্লগনি। ষ্টেট অসিগী সর্ভে এরিয়াদা সেটিলাইট মেপ্পিংগী থবকসু লোইশিল্লক্লে হায়না রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা ঙসি মিনি সেক্রেটরিয়েট বিষ্ণুপুরদা পাঙথোকখিবা এন জি দি আর এস ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টেম হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, এন জি দি আর এস হৌদোরকপা অসিনা লম য়োনগদবা অমদি লৈগদবশিংগী মরক্তা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা অমদি ঈ-পাউ কয়া খঙদোকপদসু য়াম্না খূদোংচাহল্লগনি। মতম অমদি শেল কনবতা নৎতনা ট্রান্সপরেন্সিসু হেনগৎহল্লগনি। পঞ্জাব অমসুং অন্দামন নিকোবরদা এন জি দি আর এস চৎনবা হৌখ্রে। মসিগী মতুংদা বিষ্ণুপুরদা ঙসি হৌদোক্লি। মসিনা ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসনগী খূদোংচাবা লৈদুনা মীয়ামদা কান্নগনি। টেক্নোলোজি চাউখৎলকপগী মতুংইন্না থবক থৌরাং কয়াসু পায়খৎলক্লি।

বিষ্ণুপুরদা এন জি দি আর এস হৌদোকখ্রবা মতুংদা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদসু পায়খৎনবা হোৎনরকপদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অসি লেন্দ কম্প্যুটরাইজেসনগী থবক্তসু চাদা চাম্মা লোইশিল্লে। দিষ্ট্রিক্ট অসি হীরম কয়াদা খুমাঙ চাউশিল্লি। ষ্টেট অসিগী ওইনা সর্ভে এরিয়াশিং সেটিলাইট মেপ্পিংগী থবক অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে। কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদ্দি লেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দগী থবক মপূং ফানা পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক হীরম কয়াদা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা ষ্টেট ইফোর্মেটিক ওফিসর, এন আই সী মণিপুর কে ঐচ রাজেননা ফোঙদোকখিবদা, এন জি দি আর এস হৌদোকপা অসিনা ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসনগী খূদোংচাবা কয়া ফংলগনি। এন আই সীনা ষ্টেট অসিগী ওইনা ইনফোর্মেসনগা মরী লৈনবা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। নৌনা হাংলক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদসু এন আই সীগা শম্নহন্নবগীদমক থৌরাং কয়া ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

মচানা মপা মখৌরী মেৎতুনা হাৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা থৌবাল ৱাংমা তাবা সোরোক মখাদা লৈবা মশাগী চহী ৫২ রোম শুরবা তখেল্লম্বম শরতকুমার কৌবা মীওই অমা মহাক্কী মচানুপানা মখৌরী মেৎতুনা হাৎখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুংখায় রোম চৎপদা থোকখিবনি। মপা মখৌরী মেৎতুনা হাৎলি হায়না মরাল শীরিবা মীওই অদুগী মমিং তখেল্লম্বম দেবান এলিয়স বরিশ (২৬) কৌই। মহাক লৈখিদ্রবা তখেল্লম্বম শরতকুমারগী মচানুপা য়াইমনি। নুপী-অঙাং লৈরে।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, মীহাৎ ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

মীওই অহুমদা লেট নাম্বম য়াইস্কুল সিংহ ব্রেভরি এৱার্দ লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): রাজ এন্দ ব্রোস নাম্বমনা শীন্দুনা ঙসি ৱাখৈ তোকপম লৈকায় নাম্বম লৈরক্তা লৈবা রাজ এন্দ ব্রোস নাম্বমগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা লৈখিদ্রবা নাম্বম য়াইস্কুলগী চহী ৯১ শুরকপগী নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা লম্দা থবক তৌরিবা মীওই অহুমদা ব্রেভরি এৱার্দ লান্থোকখ্রে।

লেট নাম্বম য়াইস্কুল সিংহ ব্রেভরি এৱার্দ ২০১৮ লান্থোক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রবা মীওইশিং অদুদি, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডো. এস ইবোমচা, পাউচে অসিগী এদিটর হেমন্তকুমার নিংঙোম্বম, দি আই সী গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী রিটাইয়র্দ মেনেজর এস রাধাদামুদোরনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ডো. এস ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা, মীগী মতেং পাংবসি তাইবং শেম্বা মপূনা উবী। হন্দক লোকখাদা তাখিবা মীওই অমা পোরগা পুখৎলক্লগা থৱায় কনবীখিবা অদুদা মীওই কয়ানা থাগৎপীরকপা অসুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওই। মীয়াম হায়বসি তাইবং শেম্বা মপুগুম্বনি। মীওই কয়ানা থাগৎপীরকপা অসিদা নুংঙাইবা ফাওবগা লোয়ননা তুংদসু হেন্না মতেং পাংনিংই। মখা তানা খুন্নাইগীদমক মতেং পাংখিগনি। লৈখিদ্রবা নাম্বম য়াইস্কুলগী থৱায়না ঈংনা-চিক্লা লৈবা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা পাউচে অসিগী এদিটর হেমন্তকুমার নিংঙোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, ময়াম্না মপোক অহুম হায়না হায়নৈ। অদুবু ৱাখল্লোন খেন্নবা লৈ। মহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোনদদি মপোক অহুমসি অহানবদা পোকপীবা লৈখিদ্রবা অদুগী পূন্সিরোল অদু নহানমুক্কী মপোকনি। হৌজিক হিংলিবা অসিনা হন্দক্কী মপোকনি। *মখা লামায় ৩ কলম ১*

কংলাদা ষ্টেট হর্বেল গার্দেন লিংখৎনবা লুপা লাখ ২৮ কায়থোক্লবা অয়াবা পীরক্লে : জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): কংলাদা ষ্টেট হর্বেল গার্দেন লিংখৎনবা লুপা লাখ ২৮ গী অয়াবা পীরক্লে হায়না হেল্থ অমদি আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা হেল্থ মিনিষ্টরগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, কেরলাদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা অয়ুশকী ওইবা থবক থৌরাংশিং য়েংলুরে। দিল্লিদসু চৎতুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়া উনদুনা ষ্টেটসিদা অনৌবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎনবা তকশিল্লম্লে। ষ্টেট অসিগী হেল্থ মিনিষ্টর মশামক য়াওবা অয়ুশকী ওফিসল কয়াসু য়াওবা টিম অমনা কেরলাদা চৎতুনা ষ্টেট অদুদা পায়খৎলিবা অয়ুশকী থবক থৌরাং কয়া য়েংশিনখি। কেরলাদা লৈবা হোমকো হায়না খঙনবা হোমিওপেঠি দ্রগ, হীদাক লাংথকশিং শাবা অচৌবা ফার্মগী চ্যেরমেন অমদি ওফিসল কয়াগসু উনদুনা ৱারী শানখি। মণিপুরদসু হোমিওপেঠিগী ওইবা হীদাক শানবগীদমক পায়খৎলকপদা সপোর্ট তৌগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি। ষ্টেট অসিদা হীদাক কান্নবা পাম্বী মখল কয়া ফংলিবা অসিগী মতাংদসু ৱাফম কয়া থমখি। কেরলাদা ঔশাধি হায়না খঙনবা অয়ুশকী হীদাক লাংথক্কী য়াম্না অচৌবা মফম অমদসু চৎতুনা য়েংখি। মণিপুরদসু মেন্যুফেকচরগী য়ুনিট অমা লিংখৎতুনা অয়ুশকী হীদাক লাংথকশিং সপ্লাই তৌবা য়ানবগী মতাংদসু ৱারী শানখি। কেরলাগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা চৎতুনা হীদাক কান্নবা পাম্বী থারিবশিং অমদি অয়ুশকা মরী লৈনবা মীওই কয়াগসু ৱারী শানখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ইন-চার্জ ফোর অয়ুশ শ্রীপদ যেসো নাইককসু উনদুনা ৱারী শানখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিগী মায়কৈদগী ষ্টেট অসিদা অয়ুশকা মরী লৈনবা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎলকপদা সপোর্ট তৌনবগী ৱাফম কয়া থল্লকখি। কংলাদা ষ্টেট হর্বেল গার্দেন লিংখৎনবগীদমক লুপা লাখ ২৮ কায়থোক্লবা অয়াবসু পীরক্লে। চহীসিগী ওক্টোবর ১৭ তগী ২১ ফাওবগী মনুংদা অরোগ্যো হেল্থ মেলা অমসু ইম্ফালদা তৌরগনি। মসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু শরুক য়াবীনবা ইনভাইট পীরম্লে। কৈরাওদা হোমিওপেঠি মেদিকেল কোলেজ অমা শাগৎপগী থবকসু চথুরি। হোস্পিটাল শাবগী য়ু সী পীখৎলক্লবা মতুংদা মখা তাবা শেন্থংশিংসু থাদরক্কনি ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

মার্ক ৮ ৱাৎনা পীখিবা লৈতে, ৱাথোক অসি থিজিন্নবা ইনক্বারি কম্মিটি শেম্লগনি : বোসেম

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসন-২০১৮গী ফলদা মরিশুবা পোজিসন তাখিবী মহৈরোয়দা মার্ক ৮ ৱাৎনা পীখিবগী ৱাফম লৈতে। ইনক্বারি কম্মিটি অমসু শেম্লগা হীরম অসিগী মতাংদা থিজিনগনি হায়না বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)গী সেক্রেটরি অখাম জয়কুমারনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বোসেমগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, মরিশুবা পোজিসন তাখিবী মহৈরোয় অমদা মার্ক ৱাৎনা পী হায়বগী ৱাকৎ লাকপদগী য়েংশিনবগী থবক চথুখি। হেদ এগজামিনর, কো-ওর্দিনেটর-নচিংবা য়াওনা থিজিনবা লৈখি। মার্ক ৮ ৱাৎনা পীখিবগী ৱাফম লৈতে।

ৱাকৎ অমা লাকপদগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী চেম্বরদসু খন্ন-নৈনবা লৈখ্রে। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী চেম্বরদা খন্ন-নৈনবদা হেদ এগজামিনর, কো-ওর্দিনেটর, এগজামিনরশিংসু য়াওখি। এগজামিনরনা পীরম্লিবা মার্কশিং হেদ এগজামিনরনা অমুক য়েংশিনবনি। মার্ক টেব্যুলেসনদা হায়রিবা মহৈরোয় অদুগী মার্ক ৱাৎনা পীবা লৈতে।

বোসেমনা এগজাম চথুরিবা অসি রুল এন্দ রেগ্যুলেসন অমগী মখাদা চথুবনি। চৎন-কাঙলোনশিং অসি ঙাক্না এগজামগী প্রোসেসশিং চথুদুনা লাক্লি। পোজিসন ১ দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিং অসি য়াম্না কম্পিটিটিব ওইবা মরম্না কুপ্পা য়েংই। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনসু এগজামগী ফল লাউথোকপদা অশোয়-অঙাম য়াওদনবগীদমক য়াম্না চেকশিন্না অমদি কুপ্না য়েংশিন্নবা খঙহল্লকপসু লৈ।

মার্ক ৱাৎনা পী হায়বগী ৱাকৎ লাক্লিবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

কুকি য়ু জি গ্রুপ অমনা য়ূম ৩দা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোরে পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা মোরে ৱার্দ নম্বর ২গী গমনোম ভেঙ হায়রগা খঙনবা ইমান্যুএল চর্চ মনাক্তা লৈবা য়ূম অহুম কুকি য়ু জিনি চিংনবা কাঙবু অমনা লেথোদ সেল অমদি নোংমৈনচিংবা কাপশিল্লকপদগী য়ূম অহুমগী পোৎ-চৈ কয়া অমাঙ-অতা থোক্লে।

থৌদোক অসি হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তাবদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা অমাঙ-অতা থোক্লবা য়ূম অহুম অদুদি মোরে ৱার্দ নম্বর ২গী গমনোম ভেঙগী ইমান্যুএল চর্চ মনাক্তা লৈবা থাংখোমাং তাওথাং (৩৭), চোংখুলুন লুংদিম (৫৩) অমসুং লৈখিদ্রবা ওনখোলেট হাওকিপকী য়ূমনচিংবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা য়ূমগী মীওইশিং পাখৎতুনা চেন্থোক্লরকখি। অদুবু অশোক-অপনদি য়াওখিদে হায়রি। মিনিট ৩০ রোম নোংমৈ অমদি বোম্নচিংবা কাপশিল্লকপা অদুদা খামদুনা লৈবা কার অমসু অমাঙ-অতা থোকখি। মদুদা নৎতনা য়ূম মনুংদা লৈবা আলমিরাহনচিংবা নোংমৈ মরূনা পানখি। মফম অদুদা নোংমৈ কাপ্পা অমদি বোম পোকখায়বগী মখোল তাবদগী ঙসি অয়ূক অঙনবদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডো. এস ইবোমচা, মোরেগী এস দি পি ও সঞ্জিৎ গোপাল দাস, দি এস পি থোমাস থোকচোম, মোরেগী ও সী লেটখোপাও ৱাইফে অমদি ১১শুবা অসাম রাইফলসকী মেজর সঞ্জিবনচিংবা য়াওনা থৌদোক থোকফম অদুদা থিবা-হুম্বগী থবক চথুখি। মদুদা পোকখায়দ্রিবা লেথোদ সেল অনী অমদি পোকখায়খ্রবা লেথোদ সেল মরিগী মচেৎশিং অমদি কাপথোকখ্রবা নোংমৈ মরূগী তোক্লিং ১০০ রোম ফংবা ঙমখি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, ঙসি নোংঙাল্লমদায় পুং ২ রোম তাবা মতমদা কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবা খরনা মোরেগী ৱার্দ নম্বর ২ গমনোম ভেঙ ইমান্যুএল চর্চ মনাক্তা লৈবা য়ূম অহুমদা অতম্লনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা অদুগী মতাংদা পুলিসনা অকোয়বদা থিবা-হুম্বা চথুখি। অদুবু, মীফা-মীপূনদি য়াওখিদে। নোংমৈ কাপশিল্লম্বা অদুদা য়ূমদা লৈবা মীওইশিংদি লাইবক ফবদগী অমত্তা অশোক-অপন য়াওখিদে। থৌদোক অদুগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

Instant TV Loan Opportunity
for
WORLD CUP
2018
RUSSIA 2018

Get Low Price for Direct Purchase

And also available :-
VEHICLE LOAN / SERVICE LOAN
PENSION LOAN / GOLD MORTGAGE

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loktaobung B.O. M.G. Avenue,Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in

HL-B/4691/13/06-13/07

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫